ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

শগোলবন্দগী হৈনৌপোক দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী ওফিস হাংদোকপগী থৌরমদা পাৎশোই এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট আরকে রামেশ্বরনা টাইক্কান্দো মশান্নদা গোল্ড য়াওনা মেদলশিং ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখিবা

অহকপা চৈরাক পীগদবনি : কংলামৈ
☛ লামায় ২

পান্থোইবী শৈথা জগোয়
☛ লামায় ৩

‘চীংঙা মীফম নীংশিংবা চঙই’
☛ লামায় ৫

নুপীশিংগী ওইবা কমল শখি রেল্লি চৎখ্রে
☛ লামায় ৬

ওল্ড এসেমব্লিগী ম্যুজিক অমসুং অর্কাইবস হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা সরাংথেম মনাওবীনা ইবা ‘দি রাইজ এন্দ ফোল ওফ মৈত্রবাক মণিপুর এন্দ ইম্পেনি দং রি-রাইজ কৌবা লাইরিক ফোঙদোকখিবা

Vol. 45, Issue No. 275 | ইরাই, পোইনুগী ২৭নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, December 31, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

### অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অমসুং সী দল্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙমনা অনৌবা চহী ২০২২ লাকপদা লমদম অসিগী মীয়ামদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা অনৌবা চহী লাকপদা ঈং-তপ্পা অমসুং হীরম খুদিংমক্তা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

### মণিপুর হোকরস এসোসিএসনগী চহীগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): মণিপুর হোকরস এসোসিএসনগী চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকখিবা এন্যুএল ফঙ্কসনশিং হৌখিবা চহী ২০১৯/২০২০গী ওইনা কোভিদ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা পাঙথোক্লদ্রবা মতুং হন্দক চহী ২০২১গী এন্যুএল ফঙ্কসন মথং থাগী ২দা ময়াং ইম্ফাল থানা অৱাং লৈকায়দা লৈবা এন তোমচৌ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা অয়ুক পুং ৯.৩০ তারকপদগী পাঙথোক্লগনি হায়রি। ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### নাগালেন্দদা ‘দিষ্টর্বদ এরিয়া’ শাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না নাগালেন্দ ষ্টেট অপুনবদা ‘দিষ্টর্বদ এরিয়া’ থল্লকখিবা অদু ঙসিদগী হৌরদুনা অতোপ্পা থা ৬কী ওইনা শাংদোক্লে হায়রি।

এম ঐচ এগী নোটিফিকেসন অসি হন্দক্তা নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্কী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

### মণিপুরগী ওমিক্রোন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা ঙসি থোরকখিবা চেরোল অমদা থা অসিগী ২৭তা কোভিদকী অনৌবা ভেরিএন্ট ওমিক্রোনগী কেস অমা ষ্টেট অসিদা থেংনখ্রবা মতুংদা মখা তানা অনৌবা কেসশিং থেংনবা লৈত্রি হায়বগা লোয়ননা অহানবা থেংনবা কেস অদুগী প্রাইমারি কন্টেক্ট ৩গী সেম্পলশিং জেনোম সিক্বেন্সিংগীদমক আই বি এস দি, তাকয়েল পাৎতা থাখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

# এক্ত ইষ্টকী মখাদা মণিপুরনা ‘ফাওনথোঙ’ ওইদুনা চাওখৎপদা মাঙজিল থারগনি : নদ্দা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী নহাশিংগী পাঙ্গল থৌনানা অমদি লৌশিংনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱাখল্লোন অমদি মহাক্কী মঙলানশিং থবক্তা ওন্থোকপা ঙল্লিবনি হায়না ঙসি মণিপুরদা পুং খরগী ওইনা লাক্লমখিবা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মথং চহীগী মার্চ ১৯ ফাওবগী মমাঙদা শোয়দনা পাঙথোক্লগদৌরিবা মণিপুরগী ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগী চথরক্লিবা কেম্প্যেনগী মনুং চন্না ককচীং চুমনাং লৈকায়দা লৈবা বেসিক লম্পাক্তা পাঙথোকপা বি জে পিগী যুব রেল্লি অমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা জে পি নদ্দানা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, মণিপুর অসি ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি দিভেলপমেন্টতা খুমাঙ চাওশিল্লে। মসিদসু নত্তনা চীং-তমগী মরক্তা নুংশি-চান্নবা পুরকপা ঙল্লে। বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী মণিপুরদা মীয়াম্না ওফিসশিংদা চৎলম্বা অদু ঙসিদি ওফিসরশিংনা ওইনা যূম-যূমদা লাকহল্লে। লমদম অসিদা অহল ওইরবা-ওইরবী লাখ ১ রোমদা পেন্সন ফংহনখ্রে। অয়ুসমান ভারতকী মখাদা মীওই লাখ ৩.৫দা কানবা ফংহল্লে। ইঞ্জিন অনী পানবা বি জে পিগী লৈঙাক্লা তংদু লৈতাবা অমসুং খুমাঙ চাওশিনবা পুরকপদা নত্তনা মীয়াম্বু ঙাক শেনবীদুনা লৈরে হায়খি।

লোয়ননা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসনা লান্না লৈঙাকপনা বন্দ অমসুং ব্লোকেদকা শাগোন্নদুনা

### বি জে পি খক্তগী ওইবা তং তাবা লৈঙাক অমা পীবিয়ু : বিরেন

লৈখি। বি জে পিগী থবক থৌওংশিংনা পার্টি অসিনা মীয়ামগীদমক করি থবক পায়খৎলি হায়বদু উৎলে হায়খি।

থৌরম অদুদা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিগী লৈঙাক্লা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম চৎনহন্দুনা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং ঙাক শেন্দুনা থল্লে। অপুনবা শক্তম ঙাক্তুনা থম্বা ঙল্লে।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈঙাক অসিনা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগীদমক থবক লৌখৎতুনা মাঙলোমদা চঙশিনবা লৈঙাক ওইরি। এক্ত ইষ্ট পোলিসিগী খুথাংদা মণিপুরগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা মায়কৈরোমদা লাক্তুনা মণিপুরনা ফাওন থোং অমা ওইদুনা চাওখৎ লমজেলদা মাঙজিল থারগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা কোংগ্রেস ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# চহী কয়াদগী খুন্দ্রাকপমগী মীয়াম্না ফংদনা লাকপা রাইটশিং ফংহনগনি : মঙ্গিতোন

### ০১- খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি

### মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ

**ডা. খাইদেম অথৌবা**

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা ০১- খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোকরক্লিবা ইরোম মঙ্গিতোন (৬৪)না করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা খোঙদারক্লিবনো অমদি খুন্দ্রাকপম এ সীগী অমদি মণিপুর মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌবা পাল্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী ‘মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং’ হায়বা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐখোয় পুন্নমক্না খঙমিন্নবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা অখন্নবা ৱারী শান্নরুবদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায় -

**ৱাহং :** লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওরক্লিবসি করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী অমদি করি পেন্দবা লৈবদগীনো?

**পাউ :** লৈবাক অসিগী য়াম্না ফজনা লৈরিবা দেম্মোক্রেটিক সিষ্টম অসি মতমগা হেন্না চুনরবা মওংদা শেমদোক-শেমজিন তৌনিংবগী ৱাখল ফাওই। লৈবাক অসিদা তোঙান-তোঙানবা রিজনেল পার্টি অমদি নেসনল পার্টি কয়া মশিং য়াম্না থোক্লক্লে। মসিনা মরম ওইদুনা লান্না চৎনবগী মচাক অমা ওইহল্লে। ভোট মতমদা পার্টি ময়াম অসিগী মরক্তা অমনা অমবু হুন্নদুনা লৈবা মরম্না মীয়ামসু মকোক ঙাওনরে। ইন্দিয়াগী লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা লৈরিবা পার্টিশিংগী ফীভম অসি য়েংলুরগা তঙাইফদনা যু পি এ গ্রুপতা এলায়ন্স তৌবা পার্টি ময়ামগী গ্রুপ অমা অমদি এন দি এ গ্রুপতা এলায়ন্স পার্টিশিংগী গ্রুপ অমা হায়দুনা শুপ্নগী টু পার্টি সিষ্টমদা থবক ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# বি জে পিগী লৈঙাক অসি পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলসিদা মীয়াম্না পাড়া তন্বীরগনি : ইবোবী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা খন্ন-নৈনবগী থবক অসিদি য়াম্না ফবা থবকনি হায়রদুনা হান্নগী লৈঙাক্লা করি তৌরম্মী অমসুং হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্লা করি তৌরি হায়বসি খন্ন-নৈনরগদি অচুম্বা অশেংবশিং থোরক্কনি। মসিমক দেমোক্রেসিগী লৈঙাক অমগী মচৎনি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি তাকয়েল কোলোম লৈকায় লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা কোংগ্রেসকী ব্লোক লেভেল পোলিটিকেল কনফরেন্সতা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অনীরকশুবা টর্ম অসিগী লৈঙাক অমসুং মণিপুরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদি পল্লিসিটি তৌবা, লাউ খোংবা অমসুং মশা মথন্তা থাগৎচবগী লৈঙাকনি। লৈঙাক অমা ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়বসিদি মীয়াম্না লাউজগদবনি হায়খি।

ঐখোয়গী লৈঙাক্লা অদু তৌরম্বনি, অদা তৌরম্বনি হায়দুনা মশাবু পংথাদা থাগৎচদুনা পল্লিসিটি পংতৌদা তৌরগা মীয়ামদা থাজবা পীরিবশিং থিদোকপা মথৌ তারে হায়খি।

অশোয়বা হায়রুরগনা হেক্তা ফানবা তৌবা অদুগা মখোয়বু থাগৎলগনা করিমক্তা তৌদবগী থৌওংসিদি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈতে। কোংগ্রেসকী মতমশিংসু মীয়াম্না ৱায়েল তৌবীয়ু। মীদিয়ানা লেঙদ্রবা খুদমনি হায়খি।

হৌজিক থা ২ খক্তা ঙাইরবা লৈঙাকসি মীয়াম্না ১২শুবা মীখলদা চপ চানা পাড়া তন্বীরগনি। মীখলসিদা চীং অমসুং তমদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি অহুমগী মনুংদা চীংদা অমা, তমদা অনী শোয়দনা লাক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ। কোংগ্রেস ঙাক্তগী নত্তবা পার্টি অসিগা ৱাখল মান্নবশিংগা পুল্লগা শোয়দনা লৈঙাক শেমগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পাৎশোইগী এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা মহাক্কী এ সী অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া মীয়ামগীদমক য়েংলগা মখা তানা পায়খৎখিগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবশিং ফোঙদোকখি।

### ৱাখলদা মীমান্নদ্রবী নুপীমচা ১গী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবা অহল চহী ৭কী ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): ঙসিদগীনা চহী মঙা হেনবগী মমাঙ কুমজা ২০১৬কী মার্চথাদগী হৌরদুনা খুদোংচাবা তাঞ্জাশিংদা মশাগী ৱাখলদা মীমান্নজদ্রবী অদুগা চহী ১৮সু শুদ্রিবী নুপীমচা অমবু নমদুনা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবা থৌদোক্কী কেসতা চেন্নবা অহল অমা কোর্টনা চহী ৭কী ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লিশীং ১০ ফাইন পীনবসু খঙহনখ্রে।

উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা ফাষ্ট ত্রেক স্পেসল কোর্ট নম্বর ১, ইম্ফাল ৱেষ্ট সলাম ইমোচাগী কোর্টনা চহী ৭কী ফাদোক পীখ্রবা অহল অদুগী মমিং হুইদ্রোম জিলা (৬০) অপোকপা লৈখিদ্রবা ঐচ শাজাও কৌই, ককচীং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হিয়াংলম তেরা পিশক্তগীনি।

মহাক্লা মহাক্কী যূমগা মায়োক্লদুনা লৈবা যূম অমগী নুপীমচা অসিবু কুমজা ২০১৬কী মার্চ থাদগী হৌরদুনা অচেংবা তাঞ্জাশিংদা কিহন্দুনা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীরকখিবনি ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# সী এম বঙ্গলো তম্না থোমজিল্লকপদা পুলিসকা মুক্লখ্রে

### সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরগী খোঙজং হন্দ্রি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : মীতৈ/মৈতৈবু কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়দুনা মখল কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিল্লক্লিবা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরনা মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ঙসি কম্মিটিগী দিমান্দশিং তকশিল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো তম্না থোমজিল্লকপদা সঞ্জেনথোং থোংয়াইদা পুলিসনা থৎপদগী অকনবা মওংদা মুক্লখ্রে।

ঙসিগী খোঙজং অদু কম্মিটিগী পেত্রোন মেম্বর মোইরাংথেম নাওদালেনখোম্বা অমসুং প্রসিদেন্ট যূম্নাম ধিরাজনা লুচিংদুনা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো তম্না থোমজিল্লকখিবনি। খোঙজং অদুবু পুলিসনা সঞ্জেনথোং ময়ায়মক্তদা থৎলগা মখা তানা চঙশিনহনখিদবনি। অদুম ওইনমক পুলিসকা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৭.৯৯°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৭.১৫°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৬

### HL Poll

Q: Narendra Modina Manipurda lakpada Meetei/Meiteibu ST listta chalhallagani haiduna laothoklamgani thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Narendra Modigi khongchat ki mangoinana law and order kaihangadaba thoudoksing thoktanaba hotnaba chumloidra?

Yes 90% No 10%

### অস! লোইরেহে!

- করিগুম্বা অতোপ্পা পার্টিগী মীটিং য়াওরবদি য়েনখিবা কম্বল লৌখৎকনি।

- ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯄꯥꯔꯇꯤꯒꯤ ꯃꯤꯇꯤꯡ ꯌꯥꯎꯔꯕꯗꯤ ꯌꯦꯟꯈꯤꯕ ꯀꯝꯕꯜ ꯂꯧꯈꯠꯀꯅꯤ꯫



- ইমুং ওন্নরমগনি, ইবুংঙোখোয়!

- ꯏꯃꯨꯡ ꯑꯣꯟꯅꯔꯃꯒꯅꯤ, ꯏꯕꯨꯡꯉꯣꯈꯣꯌ!

# হেব্রোনদা মুইভাগী খৃষ্টমাস কুম্মৈগী থৌরমদা অমুকো ১সুং অমোভা শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): হন্দক্তা পাঙথোকখিবা খৃষ্টমাস কুম্মৈগা মরী লৈননা দিমাপুরগী হেব্রোন কেম্পতা লৈবা এন এস সী এন (আই-এম) গী আর্মি চীফকী ক্বার্টরদা থা অসিগী ২৮দা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাংনা লুচিংবা থৌমীশিং অমসুং অমোভাগী থৌমীশিংগা পুন্না লালহৌলুপ অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর থুইঙাংলেং মুইভা অমসুং মহাক্কী লোয়নবী য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা উনদুনা কুম্মৈ অসিগী হরাও তয়াম্বশিং ফোঙদোকমিন্নখ্রে হায়রি।

অমুকোগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোরকপদা মখোয় থা অসিগী ২৮দা চৎলগা ঙরাং হল্লকখিবনি। মখোয় লাক্কনি তাবদগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# নুংশি চান্নগা চাওখৎপা লমদম ওইহনসি : অরুনকুমার

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): ফুরুপ কাঙলূপকী খেন্নবা লৈতনা নুংশি চান্নগা লৈমিন্নদুনা অওনবা ৱাংখৈ এ সী অমসুং চাওখৎপা মণিপুর ওইহনসি হায়না ৱাংখৈ এ সীগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা থাংজম অরুনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ন্যু চেক্কোন্দা লৈবা কৈথেলদা অনৌবা চহী ২০২২গা মরী লৈননা চীংগী নিংঙোলশিংদা কম্বল খুদোল তম্বগী থৌরমদা অরুনকুমারনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, ৱাংখৈ এ সীদা লৈমিন্নরিবা ইচে ইচলশিংদা কাঙলূপ ফুরুপকী খেন্নবা থমদনা নুংশি চান্নগা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ꯂꯣꯟ ꯐꯪꯒꯅꯤ
LOAN AVAILABLE

VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN

- Minimum Down Payment
- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
* Imphal East
* Imphal West
* Bishnupur

Pliz contact :-
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-B/7348/11 Dec. to 11 Jan.

**PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED (PHFCL)**
Regulated by Reserve Bank of India (RBI)
Tourangbam Leikai, Uripok, Imphal.

ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤꯗꯃꯛ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯔꯕ ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/মীয়ামগীদমক নুংঙাইরবা পাউজেল

ইরমদম মণিপুর অসিগী প্রজা সেক্সন খুদিংমক্না ঐখোয় পুন্নমক্কী অমত্তা ঙাইরবা Indigenous Public Limited Finance Company অমা ওইখ্রবা "Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL)" অসি করম্বা মখলগী "Financial Institution" অমা ওইখ্রবগে হায়বসিগী মতাংদা অসুক্কী মতিক কুপশিন্না মনুং হুঞ্জিন্না ময়েক শেংনা খঙমিন্নবগী তঙাইমক ফদ্রবা তাঞ্জা মতম অদুমক ঙসিদি চপ চানা ওইরে। কম্পেনি অসি হৌখিবা 7th September, 2005 তা তৌরাংবম লৈকায়, উরিপোক, ইম্ফালদা লিংখৎচখিবনি। ঙসিদি চহী ১৭কী খোঙচৎতা লাকচখ্রে। শাংলবা চহী ১৭কী খোঙচৎ অসিদা single negative remark অমত্তা লৈজদ্রিবা অসুক্কী মতিক clean ওইরবা অমসুং promising ওইরবা Financial Institution অমনি।

১) Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অসি ইরমদম মণিপুর খক্তংগীদা নত্তনা whole Entire North Eastern Region of India গী ওইনা Reserve Bank of India (RBI) না regulate তৌবা ইহান হানবা First Licence Holder Public Limited Housing Finance Company অমনি। Ministry of Finance, Department of Financial Services, Govt. of India নসু "Securitisation and Reconstruction of Financial Assets and Enforcement of Security Interest (SARFAESI) Act, 2002 গী মখাদা "Financial Institution" অমা ওইনা শক খঙখ্রবনি।

২) Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অমসুং Central Government অনীগী মরক্তা National Housing Bank (NHB) না Central Nodal Agency ওইদুনা 1st time, 2nd time অমসুং 3rd times MoU শিং মথংশিংনা সাইন তৌনদুনা হৌখিবা ২০১৫গী জুন থাদা কন্ত্রি অসিগী Honourable Prime Minister Shri Narendra Modiji না launch তৌবিখিবা মীয়ামগীদমক অসুক্কী মতিক কান্নখ্রবা স্কিম অমা ওইরিবা "Pradhan Mantri Awas Yojana - Credit Linked Subsidy Scheme (PMAY-CLSS), Housing for All by 2022 Mission" গী মখাদা Rs. 2.67 Lakhs ফাওবগী ফজখ্রবা Subsidy amount অমা য়াওরবা "Subsidised Home Loan" গী খুদোংচাবশিং ইরমদম অসিগী প্রজা মীয়ামদা ফংহন্দুনা লাকচরি। Semi Pucca অমসুং Pucca গী ওইবা মশীং য়াল্লবা যূমশিং কয়া অমা শাজখ্রে।

৩) Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অসি ঐখোয়গী country india খক নত্তনা অতৈ অতোপ্পা country শিংদসু expansion তৌবা য়ারবা International level গী থাক্তা লাকখ্রবা solid foundation ওইরবা অসুক্কী মতিক promising ওইরবা "Public Limited Finance Company" অমনি। ঙসিদি growth কী expansion গী মতম ওইরে। মরম অদুনা ইরমদম অসিগী প্রজা সেক্সন খুদিংমক্না "Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অমসুং Sister Company" শিং অসিবু অমুক্কা হেন্না মুন্না শক খঙমিন্নদুনা Regular Home Loan, Subsidised Home Loan, Loan Against Property (LAP), তোঙান তোঙানবা মখলগী Business Loanশিং অমসুং থমজরিবা Financial Facility খুদিংমকশিং অসি লৌমিন্নদুনা হীরম খুদিংমক্তা ৱাক্ত-পাদবা, নুংঙাই-য়াইফবা, তংদু-লৈতাবা ইরমদম ইজাতি মণিপুর অমা ওইরক্নবগীদমক হোৎনমিন্নরসি হায়বগী ৱাখল্লোন অসি থমজরি।

**Thokchom Hemo Singh**
Chairman and Managing Director, Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL)
Tourangbam Leikai, Uripok, Imphal

HL-P/7324/1 to 31 Dec.

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫